**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 21-04-2026)**

**সিএম (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-যুমাম খেমচান্দনা হায়রি-মনিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা চরাংনবা ফিভম অসিদা রাজনিতিগী খুদোংচাবা লৌবা মানবা থৌওংশিং চত্থরকপনা সরকার অসিদা নুংঙাইতবা ফাওহল্লি।

থৌবাল জিলাগী ৱাংজিং তেকচমদা ঙসি ৱাংজিং তেন্থা সি.বি.ব্লোক্কী নৌনা শাবা বি.দি.ওগী ওফিস শঙ্গাবগী থৌরমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-অঙাং অনি লৈখিদবগী থৌদোক অসিগী মতাংদা গৃহ মন্ত্রি-গোবিন্দাস কোন্থৌজম য়াওনা জে.এ.সিগী মীহুৎশিংগা অনিরক ফম্মীন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে। মদুদা জে.এ.সিনা তাক্লিবা দাবীশিং লোয়না পীরগে হায়না য়ান্নখিবগী মথক্তা লৈখিদ্রবা অঙাংশিং অদুগী অপোকপা অমসুং মহাক্কী লোয়নবীদা সরকারগী চান্নবা থবক হাপ্লগে হায়না সরকারগী মায়কৈদগী ফোংদোকখ্রে। মরক অসিদা নুমিৎ মঙানিগী সটদাউন্দগী খোঙজং লাউথোরকপা, জে.এ.সিনদি মখোয় য়াওদে হায়না শেংদোরকপা, অসিগুম্বা চরাংনবা ফিভম অসি রাজনিতিগী খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনবা মানবা মওংদা চত্থরকপা লাইবক থিবনি।

মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-লাক্কনু হায়বা চীংগী মফমশিংদা চৎপা মতমদা, মনিপুরগী মুখ্য মন্ত্রিনি, চৎলু হায়না অদুম্মক চৎপা য়াহনখি। অদুগা থৌবাল জিলাগী মনুংদা লাকপদা অথিংবা থন্বীরকপা অসি থম্মোয় শোকা নুংঙাইতে। ফমমীন্নরগা ৱারী শান্নরগা ৱারোইশিন পুরকপা য়াবশিং অদু ঐখোয় মশেলগী মরক্তা ৱাখল লান্না খন্দুনা অমনা অমবু থিন্দোক থিনজিন তৌবা অসি অমুক হন্না তৌবীগনু হায়না শ্রী খেমচান্দনা আপিল তৌখি।

শঙ্গাবগী থৌরম অদুদা এম.এল.এশিং-পাওনম ব্রোজেন, থোকচোম রাধ্যোম, সৈখ নুর হাসন, কোংখাম রোবিন্দ্রো অমসুং লৌরেম্বম রামেশ্বর শরুক

য়াখি।

**খোঙজং (এল)ঃ** থৌবাল জিলাগী ওইনা ৱাংজিংদা মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা ঙসি বি.দি.ওগী ওফিস শঙ্গাবা লাক্কনি হায়বগী পাউ ফংবদগী জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ঙরাং অহিংদগী হৌনা মুখ্য মন্ত্রিগী খোঙচৎপু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা খোঙজংশিং চংশিন্নবা হৌখি।

ঐখোয়গী থৌবাল পাউমী-সোইবম বিনোয়না হায়-ঙরাং নুমিদাং পুং ১১ মখায়রোম তারকপা অদুৱাইদা মশিং য়াম্লবা নহা কয়া লাক্তুনা শঙ্গাবগী থৌরম পাঙথোকবা শেম শারিবা মফম অদুদা অকায় অতোয়শিং থোকহল্লমখি। মখোয়না মফম অদুবু ঙাক শেল্লিবা ভি.দি.এফ. পার্সোনেল অমদা ফুরন্বদগী অরুবা ফিভমদা শোক্তুনা হোস্পিতালদা লায়কন্নখি। থৌদোক অদুগী পাউ ফংবদগী থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমসুং ফয়ার সার্ভিসকী টেন্দরশিং লাক্তুনা ইরাং অদু লাকশিনখি।

ঙসি অয়ুক অঙনবদগী হৌদুনা থৌবাল জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লন্বীগী মফম কয়াদা মশিং য়াম্লবা মীয়ামনা থোরক্তুনা মুখ্য মন্ত্রিগী খোঙচৎ অদুবু থিংনবা হোৎনখি। মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা ৱাংজিং তেকচমদা বি.দি.ওগী ওফিস শঙ্গারিঙৈ মনুংদা অকোইবদা লৈবা মফম কয়াদগী মশিং য়াম্লবা মীয়ামশিং থোরক্তুনা থৌরম অদু থুগায়নবা হোৎনখি। অদুমওইনমক, রাজ্য পুলিসনা চংশিল্লক্লিবা মীয়ামশিং অদু তানখায়নবা টিয়ার গ্যাসশিং কাপখি। খোঙজংলোইশিং অদু লাকশিন্নবা হোৎনবদা পুলিসনা নোংমৈ মরু কয়ামরুম নোংথক্তা কাপ্তুনা তানখায়খি। থৌদোক অদুদা হৈরোক পার্ট টুদগী মীওই অমা নোংমৈনা পানবদগী ইম্ফালগী রাজ মেদিসিতিদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি।

অমরেমাদা, রাজ্য পুলিসকী পাউনা হায়-মুখ্য মন্ত্রিনা ৱাংজিং তমা লাকখিবা খোঙচৎ অদুদা য়াম্লবা মীয়াম থোরক্তুনা নুঙ থোমজিল্লকপা অমদি নাউরি কাপশিল্লকপা য়াওনা হিংশাগী থবক কয়া চখুরকখিবা লোয়ননা নৌনা

শাবা বি.দি.ও. ওফিস থুগায়বনচিংবা থবক কয়া চখ্থরকখি।

পুলিসকী মায়কৈদগী মীয়াম অদুবু চৎখিনবা হন্না-হন্না খঙহল্লবসু তাদবদগী তঙাইফদনা ঈরাং অদু লাকশিন্নবা হোৎনখি। মদুদা হৈরোক পার্ট টুদগী হৌজিক হৌজক ভি.দি.এফ, এস.পি.ও-এ কোইদা লৈবা মীওই অমা শোকখি। সেক্যুরিতি ফোর্সনা মখা তানা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবগীদমক চেকশিন্না ঙাক শেল্লি।

**সটদাউন্দ (এল)ঃ** ত্রোংলাউবী থৌদোকপু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা কৌখিবা নুমিৎ মঙানিগী সটদাউন্দগী ঙসি হুমনি চনবা নুমিৎতসু মফম কয়াদা লম্বী থিংবা, টয়ার মৈ থাবা, উ-ৱা ফৈজিনবা অমদি ৱাকৎ মীফমশিং পাঙথোকখি।

অমরোমদা, টি.এম.কসোম ভিলেজ মপাদা থা অসিগী ১৮ দা লুমদুনা নোংমৈ কাপশিল্লকপগী থৌদোক্তা মীওই অনি লৈখিদবগী থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা য়ুনাইতেদ নাগা কাউন্সিল (য়ু.এন.সি) না কৌখিবা টোতেল সটদাউননা মহৌশাগী পুন্সিদা অকাইবা থোক্লে।

উখ্রুল অমসুং কামজোং জিলাদসু সটদাউন্দগী খোঙজং অসিগী মমি চাউনা তাখি।

সেনাপতি জিলাদসু য়ু.এন.সিগী নুমিৎ হুমনিগী টোটেল সটদাউন্দগী ঙসি অহৌবা নুমিৎতা সটদাউন্দ অসিগী মমি চাউনা তাখি। নেসনেল হায়ৱেদা গাড়িশিং চেন্নখিদে। স্কুল কলেজ অমদি লল্লোন ইতিক্কী মফমশিং থোং লোন্নখি।

ঐখোয়গী সেনাপতি পাউমী-এ. হেখনিনা হায়-টি-খুল্লেন ভিজেল এরিয়াদা সটদাউন্দগী খোঙজং চংশিল্লিনৈঙে মনুংদা মনাক নকপদা লৈবা চোঙৌবুং ভিলেজগী খুঞ্জাশিং থোরক্তুনা নাকল অনিগী মরক্তা খৎন-চৈনবা থোকখি। থৌদোক অদুদা মনাক নকপা মফমশিংদগী নোংমৈ কাপথোরকখি। তুংদা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইরাং অদু লাকশিনখি। থৌদোক থোকফমদা অহেনবা সেক্যুরিতি ফোর্সশিং চংশিনদুনা ঙাক শেনবগী থবক চখ্থরি।

নেসনেল হায়রে ৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বী য়াওনা তমেংলোং অমসুং নোনে জিলাগী মফম কয়াদা সটদাউন্দগী খোঙজং অসি শৌগৎতুনা দুকানশিং থোং লোন্নখি, কৈথেলশিং কান্নখিদে। লম্বীদা গাড়ি চৎনখিদে।

**এমটুক (এল)ঃ** এমটুক অমসুং এম.জি.ওগী জে.এ.সিনা হৌজিক লৈরিবা মনিপুরগী তংদু লৈতাদবা ফিভম অসিদা সরকারগী কর্ম্মচারিশিং শোয়দনা ওফিস কান্ননবা থোকখিবা সরকারগী হুকুম অদুগী মতাংদা রাজ্যগী চীফ সেক্রেটরিদা চেরোল অমা পীশিনখ্রে।

জে.এ.সিগী চেরোল অদুদা হায়-ত্রোংলাউবীদা অঙাং অনি লৈখিদবা অমসুং পি.এম. কসোমদা মীওই অনি লৈখিদবগী থৌদোকশিং অদুগী মতুংদা তোঙান তোঙানবা লুপশিংনা কৌরিবা সটদাউন্দগী ঈরাং মরক অসিদা কর্ম্মচারিশিংনা পব্লিক অমদি গভরমেন্টকী ট্রান্সপোর্টকী খুদোংচাবশিং য়াওদনা অমদি মখোয়বু ঙাকপী শেনবীনবা মতিক চাবা সেক্যুরিতি লৈতনা মশা মশানা ওফিস কানবা ঙমজবী থাক্তা হোৎনদুনা লাক্লি। অসিগুম্বা ফিভম অসিদা ওফিস কাদবা কর্ম্মচারিশিংগী মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎনবা সরকারনা চেরোল থোরকপা অসি য়ামা লাইবক থিবনি। মরম অদুনা সরকারগী কর্ম্মচারিশিং ঙসিদগী হৌরগা নুমিৎ হুমনি মাস কেজ়েল লিব পীবিয়ু হায়না চেরোল অদুদা তকশিল্লি।

**পাউমী (এল)ঃ** মনিপুরদা হৌজিক ওইরিবা তংদু লৈতাদবা ফিভম অসিদা লম্বী থিংদুনা সটদাউন্দ নৎত্রগা বন্দগী খোঙজং শৌগৎলিবশিংনা মফম কয়াদা ইন্সেসিয়েল সার্ভিসকী মনুং চনবা পাউমীশিং, অনা লায়েংগী লমদা থবক তৌরিবশিং, মৈ অমসুং ঈশিংগা মরী লৈনবা মীওইশিং চৎপা মতমদা তোয়না অয়েৎ-অপন পীবগী পাউ কয়া লাক্লি।

ইম্ফালদসু ই-পাউগী লমদা থবক তৌরিবা পাউমীশিং অমদি ষ্টাফশিংনা

মথৌ পাঙথোকবগীদমক তঙাইফদনা লন্বী চৎপা মতমদা মফম কয়াদা খোঙজং চংশিল্লিবশিংনা চৎপা য়ারোই হায়না অথিংবা পীরকপা কয়া থেংনরে। সটদাউন্দ নৎত্রগা বন্দগী খোঙজং চংশিনবা মতমদা তঙাইফদনা কোমথোক্লিবা পাউমীশিং অমদি ই-পাউগা মরী লৈনবা ষ্টাফশিংদা মখা তানা অসিগুম্বা খুদোংচাদবশিং অসি থোকহনবীদনবা মরী লৈনবা খুদিংমক্কী মফমদা নীংশিংজরি।

**রিমস (এল)ঃ** থা অমা চুপা চথুরকপা ৱার্ল্ড ওরেল হেলথ ডে-২০২৬ কী থৌরম ঙসি ইম্ফালগী রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) তা লোয়শিনখ্রে। লোয়শিনবগী থৌরম অদুদা রিমসকী দাইরেক্তর-প্রোফেসার জি. সুনিল কুমার শর্ম্মা য়াওনা মকোক থোংবা ওফিসিএল কয়া শরুক য়াখি। থা অমা চুপা চথখিবা থৌরম অসিগী মনুংদা ওরেল হেলথকী মতাংদা মীয়ামদা খঙহন্নবা তোঙান তোঙানবা থৌরম কয়া পাঙথোকখি।

**ককচিং (এল)ঃ** লাইব্রেরী এন্দ ইনর্ফোমেসন সেন্টর-ককচিংগী ৩২ শুবা ফাউন্দেসন ডেগী থৌরম ঙসি ককচিং ফৌশুপাৎ লৈকাইদা লৈবা সেন্টর অসিগী শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা তাইবং শেন্বা মপুদা সেন্টর অসিগীদমক য়াইফ থৌনিজদুনা হৈকৎ লৈকৎ তমখি।

**ইরৈমা (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মনুং চন্না লৈবা পুখাউগী কোনফম ইরৈমা ইমা অমদি তাবু নিংথৌ ইপা ইবুংঙোগী নৌনা শাবা শঙলেন ঙসি শঙ্গাখ্রে।

লাইফমলেন অসিগী লাই ইকৌ কৎপগী থৌরমসু পাঙথোকখি।

**এআর (এল)ঃ** চুরাচান্দপুরগী রেবর্ন কলেজগী মহৈরোইশিংদা অসাম রাইফলসনা ঙরাং মোটিভেস্নেল সেসন অমা পাঙথোকখ্রে।

অসাম রাইফলসকী পাউনা হায়-ওপরেসন সিন্ধুরগী অহানবা কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা থৌরম অদু পাঙথোকখিবনি। থৌরম অদুদা অসাম রাইফলসকী মকোক থোংবা ওফিসিএলশিংগা মহৈরোইশিংগা মরৈবাক নীংবা, থকশি খাশি লৈবা অমসুং মতিক চাবা লুচিংবা অমমম ওইরকবা অমসুং ভারত লান্মীদা চংনিংনবগী মতাংদা ৱারী শান্নখি।

ককচিং জিলাগী হৈককপোকপীদা লৈবা মীসন ব্লাইন স্কুলগী অঙাংশিংবু পুকিং থৌগৎপগী থৌরম অমা ঙরাং অসাম রাইফলসনা শিনদুনা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা স্কুল অদুগী মহৈরোই ২০ না শরুক য়াখি।

**মীখল ঃ** নোংচুপ বেঙ্গলগী বিধান সভা মীখলগী অহানবা তাঙ্কক অমসুং তামিলনাদু বিধান সভা মীখলগী ভোট খোন্বগী মতম ঙসি লোয়খ্রে। ভোট থা অসিগী ২৩ দা থাদনগনি।

নোংচুপ বেঙ্গোলগী অহানবা তাঙ্কক্তা বিধান সভা কেন্দ্র ১৫২ দা ভোট থাদনগনি। তোঙান তোঙানবা রাজনিতি দলশিংগী লুচিংবশিংনা ঙসি ভোট খোন্বগী অরোইবা পুংজা ফাওবদা মখোয় মখোয়গী মীরেপশিংগীদমক লৈজবী থাদুনা ভোট খোমখি।

অমরোমদা, নোংচুপ বেঙ্গোলদা ইলেক্সন কম্মিসননা পোল্লিং বুথ লিশিং ৮ হেন্না ইরাং থোক্লকপা য়াই হায়না অকনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎখ্রে।

তামিল নাদুদসু রাজনিতি দলশিংনা মখোয় মখোয়গী মীরেপকীদমক অরোইবা পুংজা ফাওবা ভোট খোমখি।

**রাস্ত্রপতিঃ** রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা ঙসি উরিষ্যাগী রৌরকেলাদা লুপা কোতি ১৫৮ চংনা শেমগৎপা দিবলপমেন্ট এন্দ কলচরেল প্রোজেক্ট অমা শঙ্গাখ্রে।

শ্রীমতি মুরুমনা ঙসি অয়ুক জারসুগুরাদা লৈবা বির সুরেন্দ্র সাই ইয়ারপোর্টতা থুংখি। মদুগী তুংদা, রৌরকেলাদা ইন্দিয়ান ইয়ার ফোর্সকী

হেলিকোপ্তর অমদা চৎতুনা প্রোজেক্ট অদু শঙ্গাখিবনি। রাস্ত্রপতিনা সেন্ট কোলোনিদা নৌনা শেমগৎপা মোর্দন প্লানেটরিয়ম অমসুং সাইন্স সেন্টর অমসু শঙ্গাখি। মদুগী তুংদা, শ্রীমতি মুরমুনা কোয়ল নাগরদা নিরমল মুন্দা পরিভেস পাথ অমসুং রিক্রেসনেল পার্ক অমসু শঙ্গাখি।

**উপ রাস্ত্রপতিঃ** উপ রাস্ত্রপতি-সি.পি. রাধাকৃষ্ণননা হায়রি-সরকারগী থৌশিল থৌরাংশিং গ্রাস রুট লেবেল ফাওবদা নীংথিনা য়ৌহন্নবা হোৎনবদা সিভিল সারভেন্টশিংনা চাউরবা থৌদাং লৌরি।

ন্যু দিল্লিদা ঙসি পাঙথোকখিবা সিভিল সাভির্সেস ডেগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী রাধাকৃষ্ণননা হায়-সিভিল সারভেন্টশিংনা কৎথোকপগা লোয়ননা মথৌ নীংথিনা পাঙথোক্তুনা সরকারগী পান্দম কয়া মংফাওনবা ঙমহল্লি। লৈবাক অসিগী কোনুং দিল্লিদা শেন্বা সরকারগী থৌশিল থৌরাংশিং সিভিল সারভেন্টশিংনা মথৌ নীংথিনা পাঙথোক্তুনা লৈবাক অসিগী মনুং হুনজিনবা খুঙ্গং কয়াদা য়ৌহন্দুনা মদুগী মহৈশিং ফংহল্লি। আর্টিফিসিএল ইন্টিলিজেন্স য়াওনা অনৌবা টেকোলোজিশিং শিজিন্নদুনা মীয়ামগী তঙাইফদবা সার্ভিসশিং ফংহন্নবা হোৎননবসু উপ রাস্ত্রপতিনা আপিল তৌরি।

**অস্ফাঃ** ওল মনিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনদা রেজিস্তার তৌবা একাডমীশিংনা রিনুয়েল ফি থিদোকবা অস্ফানা থোকপা চেরোল অমদা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়-ফি থিবা মতমদা অস্ফাগী ওফিস খক্তদা থিগদবনি। ফি থিবগী অরোইবা মতমনা থা অসিগী ৩০ দা ওইগনি হায়রি।

**আইপিএলঃ** ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লিগ ক্রিকেটকী মেটচ অমদা ঙসি হাইদ্রবাদকী রাজিব গান্ধি ইন্তরনেসনেল স্তেদিয়মদা সনরাইজর্স হাইদ্রবাদকা দেল্লি কেপিতেলসকা হৌজিক শান্নরি।